ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯊꯥꯡꯖ, ꯅꯣꯕꯦꯝꯕꯔ ꯲꯸, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, নবেম্বর ২৮, ২০২০, ইম্ফাল

৪৪শুবা চহী, ২৪১শুবা মশীং

# য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা লাকপদা

## ষ্টেট লৈঙাক অমদি মীয়ামগী অপাম্বা ময়েক শেংনা খঙহন্নিংই

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অথুবা মতমদা মণিপুরদা লাক্লবা য়ানা লৈরি। অমিট শাহনা মণিপুরদা লাক্কদৌরিবা অসিদা নাগাগী অরোইবা ৱারোইশিন পুরকপগা মরী লৈননা ষ্টেট লৈঙাক, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং অমদি মরী লৈনবা ষ্টেকহোল্ডরশিংগা উনদুনা ৱারী শানগদৌরি। কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩দা সেন্টরগা এন এস সী এন-আই এমগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট খুৎয়েক পীনখ্রবা মতুংদা নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপস (এন এন পি জি)নসু নাকল অনীগী ৱারী শানবা অসিদা য়াওদুনা কুমজা ২০১৭তা সেন্টরগা 'দিদ ওফ এগ্রীমেন্ট' খুৎয়েক পীনখি। মসিগী মতুং হৌখিবা চহী ১/২ অসিদা ৱারী শানবগী খোঙজেল অসি য়াংশিল্লকপগা লোয়ননা নাগা পিছ টোককী অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা সেন্টরনা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাকখিবনি। অদুবু নাগাগী তোখায়বা ফিরাল অমসুং কনষ্টিট্যুসন লৈহনগদবনি হায়বা এন এস সী এন-আই এমনা পুখৎলকপা ৱাফমদা য়ানবা ঙমদনা লৈরকখিবনি। নাগালেন্দগা য়ুল্লোন্নরিবা মণিপুর, অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী মীয়াম্না নাগা পিছ টোককী অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরকপদা অকায়বা লৈতে অদুমকপু য়ুমথংনরিবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট শোকপা ৱারোইশিনদি পুরকপা য়ারোই হায়রিবনি। ষ্টেট অহুম অসিগী মীয়াম্না খ্বাইদগী য়ানিংদ্রিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা নাগা তাবা মফম পুম্নমক এদমিনিষ্ট্রেটিভ য়ুনিট অমগী মখাদা পুনশিনগদবনি হায়বা এন এস সী এন-আই এমগী ৱাফম অসিনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা কুমজা ২০১৯গী নবেম্বর ২৫দা কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)গী মীহুৎ ১৮ না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা ন্যু দিল্লিদা উনদুনা ৱারী শানখিবদা করিগুম্বা নাগাগী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোক্কদবা লৈরবদি মাঙজৌননা তানরমগনি হায়বা থাজবা পীরকখিবনি। হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ৱারী শাননবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন কৌরক্লবা য়াই হায়না পান্নরম্বনি। অদুবু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন কৌরকপগী মহুৎতা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ মণিপুরদা লাক্লবা য়াই হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননসু ফোঙদোকখ্রবনি। নাগা পিছ টোককী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লিঙৈ চৈরকসিদা কুকি ফুরুপকী এপেক্স বোদি অমা ওইরিবা কুকি ইনপি মণিপুরনসু ৱারোইশিন পুরকপদা কুকিশিংনা খুন্দারিবা মণিপুরগী লম মচেৎ অমফাওবা শোকহনবা য়ারোই হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা ৱাকৎখিবা লৈখ্রে। মসিগীসু মথক্তা কুকি লালহৌলূপ ১৭কী অপূনবা লূপ অমা ওইরিবা কুকি নেসনল ওর্গনাইজেসন (কে এন ও)নসু কুকি মীয়ামগী রাইট শোকহনবা য়াবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎপা য়ারোই হায়না সেন্টরদা ময়েক শেংনা খঙহনখিবা লৈখ্রে। অমরোমদা হন্দক্তা কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)গী মীহুৎশিংগা এন এন পি জিগী লুচিংবশিংগা উনদুনা কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি-চান্নবা লৈমিন্নবা অমদি অমনা অমগী রাইট ঈকায় খুম্নবগী মতাংদা য়ানবসু পুরকখ্রে। নাকল অনীনা ৱারী শানরবা মতুংদা এন এন পি জিগী ৱর্কিং কম্মিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা নাগাগী ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা নাগা অমসুং মৈতৈ ফুরুপকী মরক্তা লৈনরিবা মরী শোকহনবা য়াবা থৌরাং অমত্তা য়াওরোই। নাগাগী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুর, অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী ঙমখৈ হোংদোক হোংজিন তৌবগী ৱাফম লৈরোই হায়নসু ফোঙদোরকখিবা লৈখ্রবনি।

এন এস সী এন-আই এম অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মরক্তা ৱারী শানরকখিবা অসি চহী ২৩ মপুং ফারক্লবনি। পিছ টোক অসিগী ৱারোইশিন করম্বা মওংদা লাক্কদগে হায়বসিসু মণিপুর মীয়াম্না য়েংদুনা লৈনরিবনি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা মণিপুরদা লাক্কদৌরিবা অসিদা মণিপুর লৈঙাক অমসুং মীয়ামগী অপাম্বশিং ময়েক শেংনা খঙহন্নিংই। মমাঙথক্তসু মীয়ামগী অপাম্বা কয়ারক হন্না সী এস ওশিংনা খঙহনখিবা লৈখ্রে। অদুমকপু ৱারোইশিন অসি অথুবা মতমদা পুরক্লবা য়াবগী ফীভম কয়া লাকপনা মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বশিং অদু হেন্না ময়েক শেংনা অমদি কুপথনা সেন্টরদা খঙহনবগী তঙাইফদবদি অদুমক লৈরি। মতাং অসিদা সী এস ওশিংগী থৌদাংসু য়াম্না চাউরিবনি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর লাকপদা করি করম্বা ৱাফমশিং থমগদৌরিবনো হায়বগী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাক অমদি সী এস ওশিং পুন্না ফম্মিন্নরগা মাঙজৌননা তরেৎ তরা থোক্লা খন্নহৌবা চুমগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬

১) ডা. কমলগী 'মাধবী (১৯৩০) নোবেল পুথোকখিবগী মতুং ইকুই কুইদনা মণিপুরগী নিংথৌগী মচিন মনাওশিংগী মরক্তা থোকপা খৎনবদা য়ূম্ফম ওইবা হিষ্টরিকেল নোবেলনি হায়নবা অমা লাল মমাঙদা পুথোরকই। মণিপুরী সাহিত্যদা য়াম্না শোন্নরিবা নোবেল অসিগী মমিং করিনো, কনানা ইবনো?

২) 'ঙাওচৎনরবা লাইপোক' হায়বসি মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী মমিংনি। লাইরিক অসি কনানা করি লোলদা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) 'ঐগী ৱারেং' হায়বা ৱারেং লাইরিকসি মপূং ওইনা করি হীরমদা নৈনবনো অমসুং অইবসি কনানো?

৪) 'করম্বা য়ুগকী কাউখ্রবা অহিংদা/মঙখিবা মঙগী মমিনো?'' হায়বসি য়াম্না পাম্নবা ঈশৈনি। ঈশৈ অসি লিরিসিষ্ট অসিগী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবগে?

৫) 'অৱাং কৌব্রু চীংলৈশং পামেল থক্ত ওংব-লৈ, লৈরাং শাৱোং হায়রগা তাওবা হুইমৈ মানবা লৈ, নৌৱা খূত্তা পায়রোনে হায়বদুনা পীবদগী খোরিফাবা কপ্পা তোক্তুনা লৈরাং মাবু পায়রগা খেক্লা-খেক্লা নোকখরে।'' লৈরাং অসিগী কোলোই মমিং করিনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ৱাদা ৱামল্লক্লগদি করি?

## ৱাইরু-ৱাইরুবদা



মশাগী চহী ৪২/৪৩ শুজিনখ্রে। অঙাং শেন্বা হায়বা অসিমসু তোম্বনা মশা নহা ওইরিঙৈদা তৌফদ্রবা অমনি অদুবু লুরিবদি মাগীদি শেমগদৌরিবা অঙাং অদু লৈত্রিবা অসিনি। তোম্বা চহী ৱাইশিল্লকপনা অঙাং লৈনীংলবনি অদুবু চাউনা ফরক তাবা অমা মায়োক্লদুনা লৈরি। মসিগীসু মথক্তা মাগী নুপীসু লৈত্রি।

লৈঙাক্কী থবক তৌদে হায়দুনা খনবনরা মাগা নুংশিনরম্বী মশুং মমান্নবীশিংনা মাবু হুন্দোক-হুন্দোক্লম্লগা চৎখি। মসিদগী নুপী অঙাংগী থবক অসি পুমখি খিখিদুনা তনবা অমসু য়াওনা মতম য়াম্না কুইনা ময়ূম পানবগী ৱাখল থাদোক্তুনা লৈখি। অমরোমদা য়ূম-কৈ পানবকাসি মানা হেক পান্নীংলগা পানবা য়াবা, পান্নীংদ্রগনা হেক তোকপা য়াবসু হেক ওইরমদ্রে।

কাইনথংদা মহাক মীঙোন্দগী শেল-থুম য়াম্না পুদুনা লুহোংখি (ময়ূম পানখি)। য়ূম পানদ্রিঙৈদগী হৌনা কুইনা শূফম-নোম্ফম লৈতদনা লৈরম্বদগী তাঞ্জা অমদগী মহাক মমান্নবা অমনা ৱামল্লে হায়দুনা য়েন অশেন্বা য়োনফম অমা পিক্লা মাগী থোঙ্গালদা হাংহল্লি। খজিক ইমুংগী অৱাৎ-অপা মেনখৎপা হৌরকই। থাশিগুম্না লৈরম্লবা তোম্বগী পুন্সিদা মঙাল মচা অমা হাইফেৎ উরক্লে। মাগী নুপী অদুমসু অঙাং ইওই-ওইবা মরম্না মরম মোক্লিবা, মশক্কীবুদি অদুক হাক্লা ফজবদি ওইদে (মীনা তারগা ঐবু করি হায়না খন্দৌরিনো), হেরা শক্লা কৈদৌদগেদা? মরম মোক্লগা, ৱাখল তারগা লোইরেদা। মাগী নুপীদু মাগা য়েংনবদা চহী ২৩দা মঙাইরি।

মচা অমত্তা ওইরসু থেংলবসু থেংনা মমিত্তা উজবা ফৈ হায়না মাগী নুপীগা খন্নরকপদা নোংমা মাগী লৈকায়গী মনেশিং থোকপা অমনা শেন্দোই লৌবা লাকপদা মাগী নুপীদা হায়রম্মী হায়য়ে, ''ইবেম্মা, নখোয়না য়েন হাৎ-হাৎতনা য়োল্লিদো অদুম তৌদুনা লৈরগদি নখোয় নশা লূমলিঙৈদা অফবা ওইরোইনে। জিব পানবা হাৎপা য়াদে তৌহৈদেকো। হয়েং নঙোন্দা শোয় ঙাল্লবদি ইনেখোই য়েংবা ঙল্লোইনে। নুপীনা মশা লূমলিঙৈদা জিব পানবা হাৎপা য়াদে হায়বসি ইপা-ইপু লাই হাক্তক্তগী অসুম্মক চৎনরক্লবা ৱাফমনি।'' মাগী নুপীনা তম্লকপা পাউদু তারুবদা তোম্বনা ঐ য়েন য়োনবা তোকপা তাখ্রবকো হায়না খনবদা তাইবঙপাল অসি খংমম মমশিনখিবগা চপ মান্নে। লুহোংবদা পুরুবা শেল ফাওবা শিংনবা লৈত্রিঙৈ চৈরক অসিদা শেল খরা-খরা ফংজরিবা মাগী অপিকপা য়েন য়োনফম অসি থোঙ লোনবগী ফীভম লাক্লি। মকোক পায়দুনা খাংই।

মাগী নুপীগা য়ৌ-য়ৌসু লাউনরে, মসি লান্না থাজনবীনি জিব পানবা (য়েন) হাৎপদা করিম অকায়বা লৈরোই। ঐখোয়না খঙদবগী ৱানি অতোপ-অতোপ্পা ফুরুপ কয়া লৈরিবা ময়াম অসিগী নুপাশিংনা মাগী মাগী নুপীনা মশা লূম্লিঙৈদা জিব পানবা হাৎপা য়াদে হায়বা ঐদি তাদে হায়না য়েৎলে। মাগী নুপীসু মনা পায়বা য়াখিদ্রে। মানদি তোররিং অমদা অসুম কংয়েৎ য়েৎতুনা লৈরে।

তোম্বদি চৎনবীদু নাথৈরগা শেল-থুমগী ফীভমনা হেন্না লূম্না লৌখ্রে। অদুবু মাগী নুপীগা য়ানদুনা মাগী মশেন্নুপা অমবু হায়নদুনা য়েন য়োনফমদু অমুক মা ওইনা হাংহল্লে অদুবু মাসু য়েন শেন্বা হৈত্রে। য়েন য়োনফম অমুক লোল্লে। মাগী নুপীনা হাংবা শুকয়া য়াদ্রে। তোম্বা হায়ফম তৌফম খঙদ্রে। অসিগুম্বা চৎনবী অসিবু ৱাখল লায়না লৈবা কনানা হায়রল্লিবনো হায়দুনা মুরুম-মুরুম শোন্দুনা অদুম লৈখ্রে। লুহোংবদা পুরুবা শেল ময়াম অমসু তাঞ্জাসিদা নুমিৎ খুদিং থৌবা লাক্তুনা তথী-তথী হায়ররে। মা খুম্ফম লাকফম খঙদে। শোমদনা জিব পানবা হাৎপা য়াদে হায়দুনা দুকান থোঙ লোনবা থা অনী হেল্লক্লে। কদাইদগী শেল? কমদৌনা শেল? ফেসবুক্তা ইদুনা থাগৎলগা মীয়ামদগী শেলগী মতেং নিগদৌবদা হেক মঙাইরে।

নোংমা লৈকায়গী মনে অদুসু মাগী শেল থৌবা লাকই। শেল লৈতে হায়রুবদা নিংথি নুংঙাইনা হায়বীরমদ্রে মানসু অমুক। শূ নোমদুনা শেল তাল্লগা মীগী অতোনবা শিংগেদি হায়দে হায়দুনা মৌ অনৌবীদুদগা ওনশিল্লগা চিক্কেবু তৌরল্লে, মহানি অমুকতোইবা। ঙাইহাক লৈরে ইমুংগী থুম ৱাৎলে, ঙারি ৱাৎলে, মপা হনুবগী লোক কংখু খুবা অনাবগী হীদাক লৈনবা শেল লৈত্রে, মমা হনুবীগী মখ্বাং নাবগী হোস্পিটাল চৎনবগী শেল লৈত্রে তোম্বদা লোইনা হৈথরে। তোম্বা মমৈ-মকোক খঙখিদ্রে।

নোংম-নোংমগী ৱাবনা খম থেংলক্তুনা তোম্বা শাউবনা মৈ হৌরে। ৱাখল অমা লাকই নোংঙাল্লমদাইদা। নোং ঙানবগা য়েনগী দুকান থোঙ হাংই। য়েন থাবা মমান্নবদু কৌদুনা য়েন থাহল্লরে। য়েন হাৎতুনা য়োনবা হৌরে। মাগী নুপীনা হায়বগা তাদ্রে। মতম খরা লৈরগা মাগী নুপীসু মচানুপা চাউথোক চাউবা অমা শোয়দ-ঙামদনা ফংজরে। ●

# লাই নীংবা হায়বরা, লাই লাৎপা হায়বরা -২

## নবকুমার ওইনা

মী ওইনা পোকপমখৈ লাই নত্তে, শিখ্রবা মতুংদা লাই ওইনা লৌজবা ওইগনি। শাগৈ অমগী লৈখিদ্রবা অহল ময়ামদু লাই ওইনা লৌজরগা খুরুম্বা ওইগনি। মচাশিং-মশুশিংনা খঙহৌবা ৱাৎপদগী মপা-মপুবু লাইনি হায়না লৌরগা নুমিৎ-থা-থৱান্মীচাকশিং অসিসু ইপা-ইপুশিংনা শেল্লম্বগুম খন্নখিবা ওইগনি। ইপা-ইপুশিংনদি মখোয় নত্তবা অমনা শেল্লম্বনি অদুম হায়রল্লিবনি। চহী লিশীং অমগী মমাঙদগী লাই হায়বা অমা লৈতে হায়রল্লবনি। থাজ গনবা ঐখোয়না মদু থাজদে, লাই অমা লৈবগুম্না পংথাদা থাজনৈ। মমৈদনা থাজবদু লাইনি হায়জিল্লকই।

শেন্বীরকপা হায়বা অমা লৈতে, মতোমতা শেন্বা হৌজরকপনি। অহৌবা অদুমদি লৈগনি। মদুবু লাইনি হায়বসু য়ানদবা ময়াম থোক্লক্লে। পংথা থাজগদৌবা নত্তে, চাংয়েং কয়া তৌনরি, ব্লেক হোল অমসুং নেবুলাগী ৱাফম ময়াম লাক্লি। লাইঙাক পংথা থাজবা লাল্লক্লি। লৈত্রবা লাইদা পংনীংদা নীংবা (মমিংদু লাল্লবসু), লৈখিদ্রবা ইপা-ইপুদা নিরগা পীরক্কদৌবা করিসু লৈতে। পোত্তু ফংদবা য়াদে হায়না নিবদি কান্নবা ৱানি। শেন্বীরকপদু নীংঙু হায়বদি পংখুদা খুরুম্মু হায়বা নত্তে, খঙউ হায়বনি। নীংবদা হেঞ্জিনখিবদগী লাই শাখিবনি।

নাপল কাবশিংনা লাৎপা লাইশু নাপল কাগনি খল্লি। লাইনা তৌবমখৈ মীনা ইনগদৌবনি হায়বা লৈত্রা, মদু ঙমদ্রগা মীনা তৌবমখৈ লাইনা য়ারিব্রা? লফোই চঙ থোকপা কৎলু, লফাংদু লোংনা কৎলু, উপ্পা কৎলু, থরো-থম্বালদু মখোক্লা লাইদা ওনশিল্লু, মৈনা হাল্লু, লৈনা হাল্লু - ময়ামসি লাইনা হায়বা অমত্তা নত্তে, মীনা হায়বনি, মীনা য়েৎনজবনি। ঐগী ইপা-ইপুদা কৎচবনি, মী অমগী য়াগন্দবা মপা-মপুদা কৎপা নত্তে হায়রবদি কমদৌবা। লাইদা কৎপদা শম য়াওবদি য়াদে, এঞ্জাংদা শম য়াওবদি লৌথোক্লগা 'দুম চাবসু লৈ। মবুক ফবশিংদু মী-মচা ওইগল্লি, চেকশিল্লগনা লাইগুম্না পাল্লি। লাই খরদি লফোই মকক, কিহোম মকক, অৱাথবী মকক কৎলবসু য়াবা লৈ। ক্বা মপুম কৎত্রবদি য়াদবসু লৈ। য়ুবী অনৌবা মপুম কৎপসু লৈ, অকংবা মপুম কৎপসু য়াই, মশুং কৎপসু য়াবা লৈ। হৱাই মঙ্গল তিংথোক্লগা পরেং কৎপসু লৈ। এলুমিনিয়মগী সনা য়ানবা লাইসু লৈ। লাইসি পিশক পিক্লা শারগা লাৎপদগী মী-মচা য়াওনরকইবনি। মিনিষ্টরশিংনা মপা মপু মিনিষ্টর ওইরম্বশিং চাউনা-চাউনা শারগা-খিল্লগা চহী খুদিংগী খুরুমখৎলকইবনি, লাই মাল্লকইবনি। থায়নদি লাই মচা-মচা শারম্মী, হৌজিক্লা অচৌ-অচৌবা শারগা খিন্নরে। লাই মচাশিংনা নুমিৎ খুদিংগী চাক চাবা, লাই অচৌবশিংনা চাক চাখিদ্রবনি। উনাগী লৈ কৎলগা পেল্লিবনি, হেন্নদুম লাই মানশিল্লক্লিবনি। চাদ্রে খঙবদগী লাইদা পিজবগী মওং হোংলক্লি।

নুমিৎপু লাইনি হায়বদি নুমিৎ খুরুম্মু হায়বা নত্তে, নুংশা য়াইবা হৈয়ু, নুমিৎ খঙউ হায়বনি। থা নীংউ হায়বনা থাবলগী ফজবা খঙউ, নুংশিনৌ হায়বনি। হিংবা ঙল্লিবসি নুমিৎ লৈবগীনি, থাদি লৈত্রবসু য়াগনি, নুংশিবা য়াওনদ্রবসু হিংনরিবনি। থাদি অহিং নুংথিল নাইদনা মপুগী থৌগল তৌদুনা মথৌ পাঙথোকই। লমচৎ য়াওদ্রবদি হিংবা ঙম্নদে, মথৌ খঙবগী পাখঙবা কৌই, মপা-মপু খঙবখক্তগী নত্তে। খঙলবদি মপা ওইবা ঙল্লকপদুনি। নুপী ওইবীশিংবু থাজমানবী কৌরি, মখোয়গী লমচৎপু হেন্না মরু ওইহল্লি, থাগা মান্নবগুম লৌনরিবনি। লৈ ওইনা লৌবদি থোৎ-মেংবা ফজবা শক্তমগী লৌরগা লাইদা কৎনরিবনি। নুপীবু লাই ওইনা লাৎপা ফুরুপ লৈ, লাই নুপী অমত্তা লাত্তবা ফুরুপসু লৈ। লৈ ওইনা শাৎপসিসু মথৌ খঙবা অমনি, চাদা-নাওদা তারিবসি লৈরাংগী মশিনশাংনি। লৈনম চেনবী লৈ চিনবী, তিঙ্খং পানবী লৈ চিনবী, য়েত্তা চিনবী, ওইদা চিল্লিবী খায়রকপদগী নাট হায়বদু ওইখ্রে, লাইনীংগী মনুং চনখ্রে। লাইদা লৈ কৎনরে, লৈনম নুংশিবা পুরগা অহৈবদা য়ুম্বাল্লোন তম্ববু চৎনরম্বা ফুরুপ লৈরি।

নুমিত্তি নোং তানবা শিনবা য়াওদে, নোং পোক্লবা শিনবা মথৌনি, নোংপোক্তগী থোক্লকই হায়রিবনি। ঈশিং মনিল কাদ্রবদি নোং তারক্লোই, থাশি-থানিলদা নোং তাগল্লি। নোং তাদ্রবদি চুমথাং খন্দে, চুমথাংবু লাইগী মচা তরেৎ পোকই হায়বনি, য়েক-সলাই খায়রিবনি। নোং পাইরিবসি শমদোন অয়াঙবা মার্জিং লাইগী শাদোংনি হায়রিবনি। লাইগী ৱাঙাক নত্তে, ইনজিগী প্রোসেস অমনি। লাই লাৎলগা লৈয়ু হায়বা নত্তে, নীংউ-খঙউ হায়বনি। তম্ফমদু লাইফমনি, লাই খঙফমনি, লাই লৈফম নত্তে, নীংদ্রবদি খঙলোইদৌরি হায়বনি। নীংলিবদুনা চুল্লবদি মী খুদিং লাই মাল্লক্কদৌরি।

চৈরাওগনি, চীং কাগনি, নোংপোক নিংথৌ খুরুমগনি। মচা-মশুশিংদা লাই-লিক তম্বীবা হৌবনি। হৌখিবা চহী লোইরে, কুম অমা হৌরে, চাকলুক পংকৎ কৎলু হায়বা নত্তে। হৌখিবদু খন্থদুনা য়েংলো, কুমসি করি তৌগনি, চনিং তানা খন্থনবা লংমাইচীং, কৌব্রু চীং, থাংজিং চীং, থাঙ্গ চীং, লাঙ্গোল চীং, চীংমৈ চীং কারগা পাঙ্গল চাংয়েং তৌরগা চহীগী থৌদা লেপ্নবা চীংবু কাবনি। চৈরাওবদি কংলৈচাশিংগী নাটনি, লাইনীং অতৈগী নত্তে। নহাশিং মপাং কনা লৈরি থিরকই, শারি-নমুংনবগী ৱারেপফাও লৌনরকই, লাইনীং পৱৈ চেৎপনি খন্নরকই। হনচক ঙাচক য়া-য়া তৌবদি লাইনীংনি হায়না লৌনরক্তে। চৈরাওবদা হৈকোন-লৈকোন য়েংগনি, কালেন লাই হরাওবদা হৈ-লৈ হেকপা চৎকনি। লাইরোন নত্তে, পুন্সিরোলনি। ৱাঙুলোন, শেন্মীৎলোন, লৈঙাক্লোন শাগৎপগী কাঙলোননি।

মিরাং কন্থগনি, লাই-লিক লুবাক পুথোক্কনি, কুম-পুবা নুমিৎনি, থাঙ-তা লাল্লোইশিংগী থাঙ-তা ফোঙবা নুমিৎনি। য়েক্লবদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবা লাই ওইনা নীংবনি, লাইহৌনি। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ হিমালয়ান ভুজাপত্র

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

ইন্দিয়াদা ভুজাপত্র পাম্বী মখল ২ হৌই। মখোয়শিং অদুদি (ক) হিমালয়ান ভুজাপত্র অমসুং (খ) ইন্দিয়ান ভুজাপত্র অসিনি। ভুজাপত্র পাম্বীশিং অসি হিন্দু লাইনীং চৎপা মীওইশিংনা য়াম্না শেংবা পাম্বীনি হায়না লৌনৈ। হিমালয়ান ভুজাপত্র (Himalayan Bhujapatra) পাম্বী অসি ইংলিসতা হিমালয়ান বর্চ (Himalayan birch), সংস্কৃততা ভুর্জ (Bhurja), হিন্দিদা ভোজাপত্র (Bhojapatra), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *বেতুলা য়ুতিলিস (Betula utilis D. Don)* হায়না কৌই অমসুং *বেতুলেসী (Betulaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা পাম্বী খরদি - ইন্দিয়ন ভুজপত্র (Betula alnoides Buch Ham ex. D. Don), পরেং পাম্বী - হিমালয়ান এলদর (Alnus nepalensis G. Don) অসিনচিংবনি। হিমালয়ান ভুজাপত্র পাম্বীগী বোটানিকেলগী ওইবা মমিং *বেতুলা য়ুতিলিস* হায়না ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৮২৫দা ফাওখিবা বোটানিষ্ট দেভিদ দোন (David Don) না থোনখিদুনা অমদি থিজিন-হুমজিনখিদুনা প্রোদ্রোমস ফ্লোরি নেপলেন্সিস (Prodromus Florae Nepalensis) হায়রিবা পাউদম অদুদা ফোঙদোকখি। অদুবু মহাক্লা থিজিনখিবা পাম্বী অদুদি নাথানিল ৱালিচ (Nathariel Wallich) হায়রিবা বোটানিষ্ট অসিনা কুমজা ১৮২০দা নেপালদগী পুখিবা পাম্বী স্পিসিমেন (Specimen) অদুদগীনি।

মসিগী মখা তারকপদা কুমজা ১৮৪১দা স্পেচ (Spach) না বেতুলা জেক্কুইমোন্তি (Belula jacquemontii Spach) হায়না মিংথোনবা তোঙানবা মখলগী ভুজাপত্র পাম্বী অমা পুথোকখ্রবসু হায়রিবা পাম্বী অদু কোন্না থিজিনবদগী খঙবা ঙমখি মদুদি পাম্বী অদু হিমালয়ান ভুজাপত্র পাম্বীগী ভেরাইটি মখল অমা ওইরমখিদুনা পাম্বী অদুগী বোটানিকেলগী ওইবা মমিং অদু Betula ulilis var. jacquemontii হায়না থোনখ্রে।

হিমালয়ান ভুজাপত্র পাম্বী অসি নোংচুপ থংবা হিমালয়গী মফমশিংদগী হৌরকখিবনি। পাম্বী অসি য়াম্না ৱাংবা চীংশিং ফুট ১৪,৮০০ ফাওবা হৌবা ঙম্মী। ভুজাপত্র পাম্বীগী ভেরাইটি নৎত্রগা কলটিভরশিং (ক) দুরেনবোস (Doorenbos) (খ) ফেসিনেসন (Fascination) (গ) ফোরেষ্ট ব্লস (Forest Blush) অমসুং (ঘ) গ্রেজৱুদ ঘোষ্ট (Grayswood Ghost) অসি Royal Horticultural Society গী মনা ফংখ্রে। হিমালয়ান ভুজাপত্র পাম্বী অসি অনেম্বা মফমশিংদা হৌরবদি অচৌবা উ অমা ওই অদুবু অৱাংবা মফমদদি য়াম্না পিকশিল্লকই। পাম্বী অসি উন য়াম্না তাবা অৱাংবা মফমশিংদা উচান অমসুং উচান পাম্বীগী কাঙলূপ্তা চনবা (Conifers) অমসুং রোদোদেন্দ্রোন (Rhododendron) পাম্বীশিংগী মখাদা ইকোন কোন্থনা হৌবা থেংনবীগনি। ঐখোয়না খঙজিনবা য়াবদি উন তোয়না অমদি য়াম্না তাবা মফমশিংদা পাম্বীশিং অদু কোন্তক্লা (Bent growth) হৌগল্লি। উন অদুগী ঈশিং মনিল নৎত্রগা মচুম অদুদগী হিমালয়ান ভুজাপত্র পাম্বী অসি মপূং ফানা হৌবা ঙমহল্লি।

হিমালয়ান ভুজাপত্র পাম্বী অসি মীওইবনা য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নদুনা লাক্লি। পাম্বী অসিগী স্পিসিসকী ওইবা তোঙান-তোঙানবা হীরমশিংদা শীজিন্নবা (uses) অদুদগী থোনখিবনি। মালেমদা খ্বাইদগী লীরবা লোল অমা ওইরিবা সংস্কৃট ময়েক্লা তোঙান-তোঙানবা ৱারোলশিং অদু হিমালয়ান ভুজাপত্র পাম্বীগী উগী মকুদগী শেন্বা চে অদুদা ইদুনা লাকপগী পাউদমশিং লৈ। ঙসি ঙসিমকসু অশেংবা লাইশোন-তীনশোনগী ৱারোলশিং ইদুনা মন্ত্রগা হাপ্লগা ঙক, পাম্বোম অমসুং খ্বাংদা শীদুনা ফত্তবা তীলমু-লাইমুদগী ঙাকথোক্লবনি হায়দুনা থাজনদুনা শীজিন্নরি। হিমালয়ান ভুজাপত্র পাম্বী অসি য়াম্না মগুন লৈবা শীং (Firewood) অমা ওইনা শীজিন্নবা মরম্না পাক-শন্না য়ানথৎখিবদগী ঙসিদি মফম কয়ামরুমদা য়াম্না চাউনা অমাঙ-অতা থোকখ্রে। সেন্টিমিটর ৫দগী ১০ ফাওবা কোয়তক্লা চাউবা মতু চোমলপ তৌবা অমসুং অকোয়বদু নায়াৎ-য়াৎপা (Serrated margin) মনাশিং অদু শা-ষণগী মরু ওইনা হামেংগী শজিক ওইনা পীজনৈ। পাউদম অমগী মতুংইন্না ৪শুবা চহী চাদা য়াম্না ফাওখিবা সংস্কৃটকী অইবা কালিদাস অমসুং ৬শুবা চহী চাদা অফাওবা অইবা বরহামিহিরা (Varamihira) অমসুং কাশ্মীর (Kashmir) গী পন্দিটশিংনা মখোয়গী লাইরিকশিং অদু হিমালয়ান ভুজাপত্র পাম্বীদগী লৌবা উগী মপ্রাম অদুদা ইরম্বগী ৱারোলশিং থেংনৈ। অদুবু ১৬শুবা চহী চাদা নিংথৌরেল অকবরনা হৌজিক্কী মতমদা শীজিন্নরিবা চে মখল অসি পুশিল্লকখিবদগীদি হিমালয়ান ভুজাপত্রগী চে শীজিন্নবগী চাং অদু হন্থখ্রে। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না ভাগৱান শিভ (Lord Shiva) গী খোঙলোইশিং অদু হিমালয়ান ভুজাপত্র পাম্বীগী উগী মকুগী মপ্রাম অদুদগী শেন্বা ফি-রোলশিং শেৎন-ইন্নরম্মী হায়বসিনি। হিমালয়ান ভুজাপত্রগী চে অসি ঘী (Ghee) য়োম্বদা পাম্না শীজিন্নৈ। পাম্বী অসিগী উ অসি মপাঙ্গল য়াম্না লৈবা মরম্না য়ূম-কৈ শাবা, উপু-কাংথোল চনবা অমসুং থোং শাবদসু য়াম্না খুদোং চাই।

খ্বাইদগী লিরবা অমদি মালেমদা ফাওরিবা অয়ুর্বেদ অমসুং য়ুনানিগী লায়েংদা হিমালয়ান ভুজাপত্র পাম্বী অসি য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরকপগী পাউদমশিং লৈ। হীরম অসিদা পাম্বী অসিগী নৌতক তৌবা উগী মকু অদু শুগাইরগা শেন্বা মলম অদু চাং নাইনা তৈদুনা মখল মখা কয়াগী উনশাগী লায়নাশিং লায়েংনৈ। পাউদম অমগী মতুংইন্না হিমালয়ান ভুজাপত্র পাম্বীগী উগী মকু অদু পিক্তক্লা কক্লগা অফবা ঈশিংদা অহিং অমা তিংদুনা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা ঈগী ওইবা লায়না কয়ামরুম লায়েংনৈ। হায়রিবা অশেন্বা মহী অদু কনভলসন (Convulsion) হায়বদি অঙাংনা য়াঙ চিংবা অসিদসু পীথক্তুনা লায়েংনৈ। হিমালয়ান ভুজাপত্র পাম্বীগী উগী মকু অদু ঈশিংদা ফুৎলগা শেন্বা অনংবা মহী অদু তৈদুনা অশোক-অপন তৌদুনা থোকপা ঈ অদু থুনা খকহনবগী মথক্তা য়াম্না থুনসু ওইশিনহনবা ঙম্মী। লোয়ননা চাং নাইনা থা ২-৩ লোমদং তৈবদসু লেপ্রোসি (Leprosy) হায়না খঙনবা উনশাগী লায়না অসিসু ফহনবা ঙম্মী হায়নসু পাউদমলি। ব্রোঙ্কাইটিস (Bronchitis) হায়না খঙনবা শ্বর হোনবদা খেবা অমসুং মপূং ফানা শ্বর হোনবা ৱাবগী লায়না অসিদা হিমালয়ান ভুজাপত্র পাম্বীগী উগী মকু শুগাইরগা লৌবা মহী অদুদা খোইহি খরা নৈখায়রগা পীথক্তুনসু লায়েংনৈ। ●